# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নোংমগী খোঙচৎতা অসামদা লাক্কনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী খুলসালবুং চীংশাংদা থি হুন্নবগী থবক চত্থবদা বোম অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) সংসদকী সভা অনিমক্কী বজেৎ মীফমগী অহানবা তাঙ্কক ঙরাং লোইশিনখ্রে।

------

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নোংমগী খোঙচৎতা অসামদা লাক্কনি। মহাকা ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায় অদুৱাইদা দিব্রুগর জিলাগী দিব্রুগর-মোরান লম্বী পরিংগী চবুৱাদা শেমগৎলিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা হাইৱে বেজ ইমর্জেন্সি লেন্দিং ষ্ট্রিপতা থুংলগনি। মহাকা মফম অদুদা ফাইটর, ত্রান্সপোর্ট এয়ার ক্রাফটস অমসুং হেলিকোপ্তরশিংগী এরিয়েল দিসপ্লে অমসু য়েংগনি।

নুমিৎয়ুংবা মতুংদা, প্রধান মন্ত্রিদা গুৱাহাতিদা লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৫০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতি অমসুং নোর্থ গুৱাহাতি অনি ফাওনবা ব্রহ্মপুত্র তুরেল মথক্তা লুপা কোতি লিশিং ৩ হেন্না চংনবা শাবা কুমার বাস্কর বরমন থোং শঙ্গাগনি।

মহাকা গুৱাহাতিগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী টেম্পররি কেম্পস, ইলেক্ট্রিক্ট বস ১০০ সু রাজ্য সরকারদা খুৎশিন্নগনি। শ্রী মোদিনা অমিনগাউদা হাইপর স্কেল দেটা সেন্তরসু হাংদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ভারতিয়া জনতা পার্তিগী কর্ম্মিশিংগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রিগী ওফিস সেক্রেরিয়েটতা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইরোইশেম্বদা লৈবা কলেজ ওফ এগিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি (সি.এ.য়ু) ভাইস চান্সেল্লর অনুপম মিশ্রানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লৌউ শিংউ অমদি মসিগা মরী লৈনবা লমশিংদা সরকারনা মীৎয়েং চংদুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মখা তানা লৌউ শিংউগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা, য়ুনিভর্সিতি অসিগী এক্সপার্টশিংগা পুন্না তান্নমিন্নদুনা রাজ্য অসিগী লৌমীশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগীদমক মীপাল তাংদবা লমদম ওইহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

অমরোমদা, তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা কাইসি মাওগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক মখা তানা চখ্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা খুলসালবুং চীংশাংদা থি হুন্বগী থবক চখ্থবদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, আই.ই.দি ৮ য়াওনা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা মোইরাং খুনৌ মখা লৈকাইদগী ঙরাং প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী মীওই অনি অমস্ ফাগৎখি।

অমরোমদা, শকখঙদবশিংনা হুদুনা পুখিবা ইকো ভেন অমা মণিপুর পুলিসনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী সেনাম খুলদগী ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিসনা ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদগী বিয়ার বোটল ১৩১ অমসুং ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর বোটল ৮৭ ফাগৎখি। মখা তানা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নুমিৎ অসিমক্তদা একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকা লোয়ননা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঙাতান চীংশাং পরেং অমসুং কাংপোকপী জিলাগী মফমশিংদা লম একর ৬ তা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়াস্থৎতুনা মাংহনখি।

লুই ঙাই নি (এল)ঃ নাগাশিংগী মরু মরাং হুনবগী কুম্হৈ- লুই ঙাই নি ঙসিদগী হৌরগনি। কুম্হৈঅসি য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা তাঙ্খুল নাগালোংনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড কেন্সর ডে ২০২৬ কী পালন থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ বুধচন্দ্র কলেজ অমসুং আনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা এন.সি.দি সেলনা শিনবনি। থৌরম অদুদা লৌনগনদবা লায়নাশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবা অমসুং লায়নাশিং অসিগা মরী লৈননা স্ক্রিনিংসু চখ্ৰখি। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

মীফম ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী বজেৎ মীফমগী অহানবা তাঙ্কক ঙরাং লোইশিনখ্রে। সভা অনিমক্কী অপুনবা মীফমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা মীফম অসি জনুৱারি ২৮ দা হৌখিবনি। মীফম অসিদা ২০২৫-২৬ কী ইকোনোমিক সর্ভে অমসুং ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাদা পুথোকখি। থা অসিগী ২ দা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনিমক্তা রাষ্ট্রপতিগী ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস

খন্নবা হৌখি। ভারত অমসুং আমেরিকাগী মতম খরগী ওইবা লল্লোন ঈতিক্কী য়ান্ন-ৱারোল অমদি ভারত-চাইনা ঙমখৈ পরিংগী চয়েৎনবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংদা বিরোধিনা সভাদা চরাংনবা থোকহন্নবদগী লোক সভাদা রাষ্ট্রপতি ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নবা ঙমখিদে।

মরক অসিদা রাজ্য সভাগী এম.পিশিংদি মোসন ওফ থেঙ্কস অসিগী খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা মখোয়গী মোৎশিং ফোংদোকখি। মদুগী পাউখ্মদা প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী সরকারগী অনিংবা অপাম্বশিং অদু ফোংদোকপগা লোয়ননা ভারতনা মপুং ফাবা থাজবা অমসুং থৌশিল থৌরাং কয়া শেমদোকপগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা ইকোনোমি ওইনবগী লম্বীদা চংশিল্লক্লি হায়না ফোংদোকখি। সংসদকী মীফম মথং থাগী ৯ দগী অমুক হৌরগা এপ্রিল ২ ফাওবা চথ্নগনি।

সম্মিৎ ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- শিংনবা কয়াগী মরক্তা হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা ভারতনা গনতন্ত্রগী পাঙ্গলসু মপুং ফানা কনখৎহন্দুনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চাওখৎলক্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং গোবেল বিজিনেস সম্মিৎতা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা মালেমদা লায়না লাইচৎ, উংখৎনবা ফিভম অমদি লালনচিংবা কয়া থোক্লি। লৈবাক অমগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অসি খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লবা মতমদতা খঙবা ঙম্মী হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশকী পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা বঙ্গলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্তি (বি.এন.পি)না চাউনা মায় পাক্লকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী মোদিনা বি.এন.পিগী চেয়ারমেনা তারিক রাহমনগা ঙরাং ৱারী শান্নদুনা মীখলদা মহাক্কী দলনা চাউনা মায় পাক্লকপগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- শ্রী রাহমন্না বঙ্গলাদেশকী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা কয়া থুংহন্নবা হোৎনবদা ভারতনা মপুং

ফানা শৌগৎকনি। মহাকা হায়- য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনি অসি ঐতিহাসিক অমসুং সংস্কৃতিগী ওইবা অচেৎপা মরী লৈনৈ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগালেন্দদা কুকি অমসুং অঙ্গামি চাউনা ইরাং থোকখিবা, মণিপুর ক্রাইসিসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা লৌখৎপা কেসকী ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- লমগী ৱাহৌদগী অঙ্গামি অমসুং কুকিশিংগা চাউনা ইরাং থোকখ্রে। লন্থী থিংখ্রে, নোংমৈ কাপখ্রে, পুলিসনা ইং চিকপা হঞ্জিল্লকবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন অমসুং পোকফম পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লম লৌশিন্নবা হোৎনবা লেপত্রবদি খুৎ হনগনি হায়না য়ু.এন.সিনা অকনবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ফ্রন্তিয়ার নাগালেন্দ তেরিতোরিয়েল ওথোরিতি নত্রগা মসিগা মান্নবা কাংলোন অমত্তা মণিপুরদা পুশিল্লকপা য়ারোই- সি.এস.ও কংলৈপাক হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর ক্রাইসিসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা লৌখৎপা কেসকী ষ্টেটস রিপোর্ট চয়োল অনিগী মনুংদা পীশিল্লকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লুই ঙাই নি কুম্মৈগী মাংওইননা কুকিশিংনা চথুরকপা হিংশাগী থৌদোকশিং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

একর ৬ লোমদা থারম্বা পোপ্পি মাংহন তাকহনখ্রে, অমা ফাগৎখ্রে। থৌবাল পুলিস দ্রাইভ চখদুনা ড্রগ য়ুজর মরি দিটেন তৌখ্রে হায়বা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী মতাংদা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ককচিং জিলাদা পাঙথোকখিবা পাউ মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা য়ুমগী নুপীশিং শিবগী থৌদোক তোইনা থোকচিল্লক্লি। অঙাং উন্নবা নুমিৎ ৮ নি শুরকপদা ময়ুমদগী থোকখ্রগা তুরেলদা শিনা ফংখিবা নিরোদা মীনা হাৎপ্রা, মথনতা শিজব্রা হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লিতানগী থৌদোক্কা মরী লৈননা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোংদোকখিবা, লোয়নননা লুই ঙাই নি কুম্মোদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্ননবা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা আপীল তৌখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার তমেংলোং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোং অনি পুন্না খুৎশমদুনা অহল ওইরবা খুঞ্জাশিংগীদমক লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখিবগী পাউ গানফিউ মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা, লিতানদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুং ইন্তরনেটতা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

-------